**File Copy from Poknapham**
**IMPHAL, 8th June, 2012**

# এথ্রাইতিস অমসুং স্কিন দিজিজদা অৱা ফদিগোম্না খ্বাইদগী কান্নবা ওইরে

*কেশোনন্দ খুমন*

**ইম্ফাল, জুন ৭ঃ** অৱা ফদিগোম অসি লমদম অসিদা য়াম্নদি পাম্লবা অমা ওই। অদুবু পাক শন্নদি থানদে। সাইন্তিস্ত-শিংনা থিজিনবগী মতুংইন্না পান্বী অসিনা এথ্রাইতিস অমসুং স্কিন দিজিজদা খ্বাই-দগী কান্নবা অমা ওইরে। মরম অদুনা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা পান্বী অসি পাক শন্না থারবদি শেন্থোক্কীদমক্তদি ৱানিংঙাই ওইররোই।



ভারত সরকারগী কাউন্সিল ওব সাইন্স এন্দ ইন্দস্ত্রিএল রিসার্সকী মখাদা নোর্থ ইস্ত ইনস্তিত্যুত ওব সাইন্স এন্দ তেক্নোলোজি (এন ই আই এস তি), জোরহাতনা পুথোকপা তেক্নোলোজি অমনা অৱা ফদিগোম পান্বীদা এথ্রাই-তিস অমসুং স্কিন দিজিজ ফহনবা ঙম্বা হীদাক মচল মপৃং ফানা ফংলে হায়না ফোঙদোকখ্রে। মসিগী মথক্তা লম্ফেল-পাৎতা লৈবা নোর্থ ইস্ত ইনস্তিত্যুত ওব সাইন্স এন্দ তেক্নোলোজিস (এন ই আই এস তি), ইম্ফাল সেন্তরনা অথুবা মতমদা পান্বী অসিদগী থাউ শুংদো-ক্লবগীদমক থৌরাং তৌখ্রে। লোয়নবা মপানগী ফার্মশিংনসু পান্বী অসি অসু-ক্কী মতিক দিমান্দ তৌরি। অসিগুম্বা থৌরাং অসিগী মনুং চন্না মণিপুরদা অৱা ফদিগোম থাবা খক্তদা শেন্থোক মপৃং ফানা ফংনবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইরগনি।

মখা লামায় ৫, কলম ৭ তা

# এথ্রাইতিস অমসুং স্কিন দিজিজদা অৱা ফদিগোম্মা খ্বাইদগী কান্নবা ওইরে

(লামায় ১গী মখা)

মেদিকেল এক্সপার্তশিংগী মত মতুংইন্না, অৱা ফদিগোমগী অশংবা মনা অসি ফুৎলবা মতুংদা চা ওইনা থকপদা লোক খুবা, দাইবেতিস, খোঙ হান্বা য়াদবা অমসুং লাইহৌ ফহল্লি হায়না পীরি।

পাউচে অসিনা পান্বী অসিগী মতাঙদা ইম্ফালগী ইমা কৈথেল অমসুং অকোয়বা কৈথেলশিংদা চত্থবা মার্কেত সর্ভে অমদা পান্বী অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্না লৈনৈ। অদুবু কনা অমত্তনা কারবারগীদমক থাদবনা য়াম্না তাঙনা ফংই। লোয়নননা ইমুংশিংদা খরদং চানবা য়োল্লিবা অসিসু ইঞ্চি ৪ দগী ৬ ফাওবা শাংবা পান্বী অহুমদগী মরি ফাওবগী মপুন অমদা লুপা ৫ দা য়োল্লি।

হীরম অসিগী মতাঙদা স্তেত অসিগী এগ্রিপ্রেনরশিংগা লোয়নননা থবক তৌরিবা মণিপুর স্মোল ফার্মস এগ্রি- বিজিনেস কন্সোর্তিয়মগী প্রোজেক্ত কোর্দিনেতর এম এস খাইদেমগা উনদুনা ৱারী শানবদা মহাক্না হায়, অৱা ফদিগোম অসি পার্ফ্যুমরি অমসুং কোসমেতিক ইন্দস্ত্রিদা য়াম্না মরুওইবা মচল অমনি। পান্বী অসিগী ন্যুত্রিশ্নেল অমসুং মেদিকেল ভেল্যু অসি খঙবদগী হৌজিক্তি পান্বী অসি নোংমা নোংমগী দিমান্দ হেনগৎলক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পান্বী অসি মণিপুরগী ঈশিং, নুংশিৎকা খ্বাইদগী চান্নবা অমা ওই। খরা চোৎপা মফমদনা হৌবা পান্বী অসিগী মতাঙদা ঙসি ফাওবদা এগ্রিকলচর য়ুনিবর্সিতি অমত্তনা থিজিল্লুদবনা পান্বী অসিগী অকুপ্পা মরোল পুথোক্তনা লৈরি। অদুবু এম এস এফ এ সিনা পান্বী অসিগী মতাঙদা চাওরাক্না থিজিনবদা ফংবা রিপোর্তকী মতুংইন্না, পান্বী অসি মরা অমসুং মরুদগী মপূং ফানা শন্দোকপা ঙম্মী। পান্বী অসিগী মরু লোক্লবা মতুংদা মতম থিস্থদনা হুনবদা নুমিৎ ২০ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা চারা ওইনা লিংথোকপা য়াই। পান্বী অসি ইঞ্চি ৬/৬ লাপ্না থাবদা মপূং ফানা মচা পোকথোকপা ঙম্মী। নুংশা য়ৈদবা উরুমদনা হেন্না পক্লবা পান্বী অসি অতৈ পান্বীশিংগা পূন্না থাবদসু হেন্না চুনবা অমা ওই।

মহাক্না মখা তানা হায়, কনাগুম্বা লৌমী অমনা পান্বী অসি ফিত ১০০ শাংবা অমসুং ৫০ পাকপা মফম অমদা ফৈদোম নাইনা থাবদা পান্বী ১৮,০০০ ফাওবদি ফংবা ঙমগনি। হায়রিবা পান্বী অসি মরা ককথৎপা তৌদনা মনা অদু অথৌবা ব্লেদ শীজিন্নদুনা লোকপদা লুপা ১৫,০০০ দি য়াম্না লায়না ফংবা ঙম্মী। পান্বী অসিগী য়াম্না ফবা অমনা চহী অমদা ৬/৭ রক লোকপা য়াবা অসিনি। মরম অদুনা হায়রিবা মওংদা অসিদা ইসক্কার ফিত ৫০০০ দা পান্বী অসি থাবদা চহী অমদা লুপা ৯০,০০০ দগী লুপা ১,০৫,০০০ ফাওবদি ফংবা য়াই হায়না পানরি।

পূম্নমক অসিদা, পান্বী অসিগী মগুন অমসুং শেন্থোক য়েংলগা লমদম অসিদা খ্বাইদগী চান্নবা পান্বী অসি থাদুনা লৌমীশিংনা শেন্থোক হেনগৎহনবা হায়বসি থেঙমল্লবা অমনি।

© **Disclaimer: All efforts have been made to make the information as accurate as possible.**